# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



Comedian Ben Turpin



Charlie Chaplin and Edna

- ইংলেন্দা থংন-থংননা চার্লিগী ফিল্ম ৭ উৎলে। অঙকপদা থাগৎনখি। Kine Weekly হায়বা চয়োলগী পাউচেদা অসুম্না ইরকখি, "We have seen seven Chaplin releases and everyone has been a triumph for the one-time hero of 'Mumming Birds' who has leapt into the front rank of comedians at a bound." মসিদা Mumming Birds হায়রিবসি চার্লিনা ইংলেন্দা সরক্তা Show উৎলম্বা অঙাংগী কাঙবু অদুবুনি।
- The Cinema হায়বা পাউচেনদি চার্লিবু 'Born Screen Comedian হায়না থাগৎলকখি। He does things we have never seen done on the screen before' হায়না মখা তারকখি।
- মতাংসিদা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও হৌখ্রে। অদুগা চার্লিগা Keystone গা Contact তৌনবসু Renew তৌবগী মতম লাক্লে। চার্লিনা চয়োলদা দোল্লর ১০০০ পীয়ু হায়রে। Sennett না য়াম্মল্লি হায়রে। চার্লিনা মদুদা খুমখি, সিনেমা হোল মমাঙদা মীয়াম লেপ্তুনা টিকেট ফংনদ্রিবসি Sennett কী মপান্না নত্তে, চার্লিগী মপান্ননি।
- Sennett না কিহন্দুনা হায়খি, হান্না তোকখিবা Ford Sterling সু করি নুংগী Keystone থাদোকচরুবনো হায়রক্লবনি হায়রকই। তোকখিদনবা হায়রিবনি চার্লিদা। মদুদা চার্লিনা খুমখি, 'I needed to make comedy only a park, a policeman and a pretty girl". মানা হায়রিবসি Keystone দা লৈত্রবসু মাগী থবক য়াগনি হায়রিবনি।
- Sennett উপাই লৈত্রদুনা Kessel অমদি Baumann গা তানরে। চহী অহুম কন্টেক্ট মখা চত্থবদা অহানবা চহীনা চয়োলদা দোল্লর ৫০০, অনীশুবা চহীনা চয়োলদা দোল্লর ৭৫০ অদুগা অহুমশুবা চহীগীনা চয়োলদা দোল্লর ১৫০০ পীরগে হায়রে। মদুদা চার্লিনা চাউথোক্না খুমখি, "ওন্ন-তৈননা অহানবা চহীনা চয়োলদা ১৫০০, অনীশুবনা ৭৫০০ অহুমশুবনা ৫০০ ওইরদি য়াই হায়রে।
- চার্লি Keystone থাদোক্লগে খল্লে। অদুনা মানা মাগী ময়াম্বা Sydney দা কুইরবগী তুংদা চিঠি অমা ইরকখি। মহাক য়াইফরি, বেঙ্কতা পৈশা ফনা য়াম্না তুংশিল্লে। নহালমখৈ চিঠি ইবা শংদবনি, মানা ৱারী ইসু ই, দাইরেকটরসু ওই, অদুগা কৃমসু কুপ্লিবনি হায়রকই। চিঠিদুদা ময়াম্বগীদমক Role অমা পীবিনবা Sennett তা ঙাঙনরে হায়রকই। চয়োলদা দোল্লর ১৫০ পীবা য়ানরে। অদুনা লাকউ হায়খ্রে।
- চার্লিনা মমাবু কাউদে। ময়াম্বদা মমা লায়েংবগী খরচ অদুগী মাগী শরুক্তু থারকউরা নৎত্রগা ময়াম্বনা পীরল্লগা অমেরিকাদা ময়াম্বনা লাক্লগা হঞ্জিন্নসিরা হংখি। মতৌমা Minnie বুসু নীংশিংখি। মাদি Keystone থাদোক্লগে খল্লে হায়রকখি।
- চিঠিদুদা ময়াম্বদা ইখি, মরু ওইবা পাউ হায়বা তারবদি অমেরিকাগী মমিং লৈবী Comedian নুপী Marie Dressler গা পাদুনা ফিল্ম ৬ লোইখ্রে। দোল্লর ৫০,০০০ চংখি। মায় ফজনা পাকখি হায়রকই।
- Sydney ১৯১৪গী নবেম্বরদা অমেরিকাদা থুংঙরে। Keystone না মাগী রোল অমা পীরে। 'Gussle' হায়না ফিল্মদা মমিং পীরে। Gussle the Golfer কৌবা ফিল্মদু থা অমগী মনুংদা ফোঙবা তারে। মাগী ফিজেৎতি মনাও চার্লিগা হাইফেৎ মান্নে, হি মানবা টুপি অমা, মকোই হাপলে, জেকেট অচিনবা অমা লিৎলে, লীচৈ অমা পায়রে।
- চার্লিশাগী Production Unit অমা লিংখৎলগে খনবা হৌরে। ময়াম্বা Sydney নদি খাম্মী। মতাংদুদা Chicago গী Essanay Film Manufacturing Company অমগী মী থারক্লে। চার্লিনা চয়োলদা দোল্লর ১২০০ পীয়ু অদুগা বোনস দোল্লর ১০,০০০ অমগা পীনবা য়ানরে। লাক্লিবা মীহুৎ G. M. Anderson না হায়রিবদু য়ারে। কন্ট্রেক্টতু চার্লিনা সাইন তৌরে।
- ১৯১৪গী দিসেম্বর লোইরমদাইদা চার্লি চিকাগো পাংলে। ময়াম্বগা মতৈমগনা লোস এঞ্জেলসতা লৈহৌরে। Essanay দা থুংখ্রে। মসিগী ৱাহৈসি কম্পেনি অদুগী ফাউন্দরশিংদুগী মমিংদগী অহৌবা ময়েকশিংদুনা শেম্বা মমিংনি।
- চার্লিদু অহানবদা হৈনদ্রে। Essanay staff তু ফিল্মগী Quality দা পূক্নিং কয়া চঙদে। অদুবু ফরবা মরুপ অমদি ফংলে। Ben Turpin কৌই। ফরবা কেমোদিয়ন অমনি। চার্লিনা হেক থেংনরকপা অফবা কোমেদিয়নশিংগী মনুংদা মাসু অমনি। মী পিকই, মমিৎ শেপ্পী।
- Essanay গীদা চালিগী অহানবা ফিল্ম His New Job হায়বদু নল্লে। চয়োল অনীগী মনুংদা লোইদুনা ১৯১৪গী ফেব্রুৱারী ১দা ফোঙলে। মায় পাক্লে। এদভান্স সেল অঙকপদা ওর্দর তৌনরক্লে। হায়নখিবগী মতুং ইন্না বোনসসু ফংলে।
- চিকাগোদা লৈবদু ঈংমন্দুনা চার্লি হৈনদবনা লোইরে। অদুনা Essanay company গী অতোপ্পা ষ্টুদিও অমা California দা লৈবদুদা হোংগে হায়নরে। ষ্টুদিওদুগী মমিং Niles কৌই।
- Niles Studio দা নম্বা অহানবা ফিল্মদি A night out হায়বা অসিনি। Pantomime দা বেজ তৌবা ফিল্মনি। মায় পাকখি, অহুমশুবা ফিল্মনা The Champion হায়বা অদুনি। মসিদনা চার্লিনা বোক্সর অমা শাখি।
- Niles Studio দু চার্লিনা নুংঙাইফম খঙখিদে। অদুবু অকোয়বগী দৃশ্যদি ওন্থোক্না ফজখ্রে। অদুনা মাগী মথঙগী ফিল্ম অনীগী নম্ফমদি মপান্দা ওইনা তৌরে। A Jitney Elopment অমদি The Tramp হায়বা অনীসিনি। হেরোনিদি Edna কৌবী অমগা পারে। মখোয়নী নুংশিনরে।

-মথং-মথং

# চিক্কন রেজালা করম্না থোংগদগে



## চিক্কন রেজালা করম্না থোংগদগে

চিক্কন রেজালা অসি খা থংবা ইন্দিয়াদা য়াম্না পাম্না চান্নবা মথেল অমনি। য়েনশা, য়াম অসি শঙ্গোম অফম্বনা থোংবা মথেল অসি করম্না থোংবগে হায়বা খঙমিন্নসি ঃ

**চঙগদবা পোৎচঙ ঃ**

- য়েন মপুম অমা
- য়াম চামচ অচৌবা অমা
- শিং অশুবা চামচ অনী
- চনম অশুবা চামচ অহুম
- গরম মসালা চামচ অনী
- কিওরা ৱাটর কপ তংখায় ১
- মোরোক অকংবা ৮
- শঙ্গোম অফম্বা গ্রাম ২০০
- ঘী চামচ অনী
- তীলহৌ মরি
- বে লীফ অনী
- পেপরকোর্ন ১০
- অচাথাউ চামচ মরি
- থুম খরা
- ঈশিং খরা

**থোংবগী মওং ঃ**

- য়েন অদু শেংনা চামথোক্লগা মকক-মকক কক্লো।
- থাউ শাহল্লগা পেপরকোর্ন, বে লীফ অমদি গরম মসালা হাপচিল্লে।
- য়েনশা অশেম্বা হাপচিল্লগা পূন্না ঙৌমিন্নরো।
- য়েনশাদগী থোরকপা মহী পুম্নমক কংশিলহল্লবা মতুংদা তিলহৌ, চনম অমদি শিং হাপচিল্লগা মখা তানা ঙৌমিন্নরো।
- শঙ্গোম অফম্বা, থুম অমদি য়াম থীৎলগা হৈজিল্লো।
- কিওরা ৱাটর হৈজিল্লো।
- প্রেসর কুকরদা ঈশিং কপ অনীগা পুন্না হাপমিন্নরগা মিনিট ১০ রোম মৈথক্তা থাংগৎলো।
- চামচ অমদা ঘী অমদি মোরোক পুন্না হাপ্লগা মৈথক্তা শাহল্লবা মতুংদা প্রেসর কুক্কর মনুংদা হৈজিল্লো অদুগা ওৎলবা মতুংদা থাংথরগা অদুমক চাবা য়ারে।




ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# শম-না উনশা ফজথোক্নবগী পাম্বৈ খরা







১. উনশাগী মচু-মমেন শিথরক্লবা অমসুং ওইলি ওইরবদি নহাক্কী উনশাদা য়োগটকী আইসনা মসাজ তৌগদবনি, মদুদা চিনি খরা চাইশিনবা য়াই। কোল্লা তঙ্খায় খাইদোক্লগা অমুক আইস য়োগট মসাজ তৌবা নমাইদা তপ্পা তপ্পা নোইগদবনি। হৌজিক নমাইদু আইস ৱাটরনা থাদোক্লগা হান্নদগী খেন্নবদু য়েংউ।

২. মরেক মহাও থোক্ত্রবা ইকং কংবা উনশাগীদমক : উনশাদু অৱাথবীনা মসজা তৌ। ওটস, খোইহি অমসুং শঙ্গোম অইংবা খিত্তং হাপ্লগা স্ক্রব অমা শেমউ। স্ক্রবতুনা উনশাদা তপ্পা তপ্পা নোইয়ু। হৌজিক উনশাদু উনগুম্না ঈংবা শঙ্গোম অমসুং ঈশিংনা থাদোক্লগা নপথোক্লগা কংহল্লু।

৩.শম খোইরি খোইরি তৌরবদি : মসিগী অচম্বা, অথুবা, ইরাই লায়না শেম্বা য়াবা স্প্রে অসি শীজিন্নৌ। চম্প্রাগী থাঙনা শোইবা মশুং অনী লৌরগা ঈশিং কপ অনীদা ৱাওরি ৱাওরি হিট পীদুনা শৌহনগনি। মহিদু তঙ্খাইমুক্তা ঙাইরবা মতমদা লৌথোক্লগা স্পিরিটসকী বোট্টলদা হৈজিনগদবনি অমসুং মদুনা নহাক্কী নশমদু স্প্রে তৌগদবনি। মদুনা নশমদু মহৌশাগী ফীভমদা লাকহনবদা য়াম্না মতেং ওইগনি অমসুং খোইবনা মরম ওইদুনা ফাদোকপা নৎত্রগা চাইথোকপদু কোকহনগনি।



৪. শমগী নেচরেল মচু লাকহন্নবগীদমক্তা : নহাক্কী নশমগী মচু ৱাওথাংনরক্লবদি অমসুং হেন্না শীজিন্নবগী নৎত্রগা মচু শংনবগী মতম ফংদবা তারবদি রোজমেরি খরা লৌরগা ঈশিং কপ অনীদা ব্লেক টি চমচ অনী হাপচিল্লগা লিরি লিরি তঙ্খাইদমক ঙাইবা ফাওবা শৌহনগদবনি। মহি অসি শম্পু কপ মশুং অমগা য়ান্নগদবনি। নশম শম্পু লুবা খূদিংগী মিক্সচর অসি শীজিন্নৌ। শম্পু অসি নহাক্কী নশমদা মিনিট ১৫ থাদোক্তনা লৈহল্লু। অদুম তৌবদগী লাকপা খেন্নবদু য়েংউ।

৫. নঙ্গল শিৎ-নান্না উহন্নবগী পাম্বৈ : নঙ্গলগী শরুকশিং কুপশিল্লোইদবা ব্লাউজ শীজিন্ননবা থৌরাং তৌরগা বোদি স্ত্রবকী মতম লৈতবা তারবদি, য়ুমদা তৌবা য়াবা অরাইবা পাম্বৈ অমা শীজিন্নবীয়ু। সি সোল্ট কপ অমগা ওলিভ ওইল কপ তঙ্খাই অমগা মিক্স তৌবীয়ু। মদুদা শেন্দলৱুদ ওইল দ্রোপ ৫ হাপ্লগা নীংথিনা মিক্স তৌগদবনি। জার অমদা হাপচিন্দুনা থম্লগা নহাক্না নালহন্নিংলিবা নঙ্গলগী শরুক্তুদা মিক্সচর অসি তৈরগা তপ্পা নোইগদবনি। মদু অচোৎপা তাৱেল অমনা তৈথোকপীগদবনি।

৬. খুদক্তা মাই ফজথোকহন্নবা পাম্বৈ : নহাক্কী নমাইদু আইসকী ঈশিংনা তাথোকউ নৎত্রগা ইচম চম্না আইস মতুমনা নমাইদা তকউ। নমাইদা খোইহি চামচ অমা চাইথোক্লগা তকপসু য়াই। য়েরুম অমা থুগাইরগা অঙৌবগী শরুক্তু নমাইদা তৈরগা কংহল্লু। নমাইদু চেরেৎ চেরেৎ লাউরক্লবা মতমদা উনগী ঈশিংনা তাথোক্কদবনি।

# খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং মীওইবনা কপ্পিবা করিগীনো?



কপ্পা হায়বসি মীওইবগী পুক্নিং ঈহুলগা মরী লৈনবা থৌওং অমনি। পাল্লবসু পামদ্রবসু মীপুম খুদিংমক লোইনা কপ্পী। নুপাসু কপ্পী, নুপীসু কপ্পী। তৌবগীবুদি নুপীনা নুপাদগী মশীং খরা হেল্লি। চাংচৎতা নুপীনা চহী অমদা ৫০ রক কুম্বা কপ্পদা নুপানা ১০ রক কুম্বা কপ্পী।

মতাংসিদা হংবা য়ারিবসি মীওইবনা কপ্পিবা করিগীনো হায়বসি। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ফোঙদোক্লবদি কপ্পা হায়বসি পুক্নিং ঈহুলগা মরী লৈননা মীৎতগী পি শিন্থরকপগী থৌওংবুনি। অহানবদা মতৌ করম্না পিরাং থোরকপগে হায়বদু খঙমিন্নবদা কান্নগনি। মীওইবনা কা-হেন্না হরাউবা নৎত্রগা কা-হেন্না ৱাবা থৌদোক অমা মায়োক্লবা মতমদা থৌদোক অদুগী মরমদা মুন্না খঞ্জিল্লুবদগী পি তারকই। অদুনবু অৱাবা মতমদসু হরাউবা মতমদসু পি তারকইবনি।

মীৎ অমদি মীৎথুপকী কারক্তা লৈবা লেক্রিমেল গ্রান্দদগী পি তারকপা মতমদা ঐখোয়না মীৎ কূপ্পী। মদুনা মরম ওইরদুনা পিরাং অদু মীৎকী মফম শীনবা থুংনা শন্দোকখি। অদুদগী লেক্রিমেল পঙ্কটস ফাওথরগা নাতোলদা চেন্থরকই। মরম অদুনা কপ্পা মতমদা নাতোল মহী চেল্লকপা থেংনগনি।

পিরাং অসি মখল অহুম শুই। মখোয় অদুদি বেসেল, রিফ্লেক্স অমসুং সাইকিক টিয়রসনি। মতম পুম্বা মীৎ নহাবু চোৎ-চোৎ লাউনা লৈহল্লিবসি বেসেল টিয়রননি। মীৎতা করিগুম্বা অমা চঙখিবা নৎত্রগা তিন্থৌগী মনম নম্বদা তারক্লিবা পিরাং অদুনা রিফ্লেক্স টিয়রনি। থৱায় নুংঙাইতবা মতমদা কপ্পদা তারক্লিবা পিরাং অদুনা সাইকিক টিয়রনি। সাইকিক টিয়রদা মহৌশাগী ওইবা পেনকিল্লর অমা য়াওই। ল্যুসিন এনকেফলিন কৌবা নেচরেল পেনকিল্লর অমা য়াওবা মরম্না থৱায় নুংঙাইতবা মতমদা থম্মোয় পেন্না কপথোকখ্রবা মতুংদা অৱাবা খরা ফরকপগুম তৌগনি।

লিম্বিক সিষ্টম কৌবা অৱা-নুংঙাইগী ঈথিল কন্ট্রোল তৌরিবসি হাইপোথেলামস কৌবা ব্রেনগী শরুক অমনা কন্ট্রোল তৌই। মসি ওটোনোমিক নরভস সিষ্টমগা শম্নবা মরম্না ইশা-ইশাগী কন্ট্রোল মখাদা লৈতে। সিষ্টম অসি এসিটাইলকোলিন কৌবা ন্যুরোট্রান্সমিটর অমনা লেক্রিমেল গ্লান্দগা শম্নবা মরম্না অৱা-নুংঙাই অনীমক্ত পি তারকই। স্পাসিয়ল অমদি টেম্পোরেল হায়দুনা কপ্পগী মখল অনী লৈ। অহানবগী মখল অসি ঐখোয়না করিগুম্বা অমা পাল্লকপা মতমদা কপ্পা অদুবুনি। অকোনবগী মখল অসিনা হৌখ্রবা থৌদোক, হৌজিক ওইরিবা নৎত্রগা তুংদা থোরক্কদবা থৌদোক্কী মতাংদা কপ্পা অদুবুনি।

কপ্পা মতমদা পি তারকপখক নত্তনা থম্মোয়গী মিহুল কনখৎলকই, হুমাং শৌরকই, নিংশা শ্বর তপথরকই অমসুং খনাউদা ফুনবা ফাওরকই। পুম্নমক অসি সিম্পেথেটিক নরভস সিষ্টমনা ওইহল্লকপনি।



# নহাক করি খঙলে - অঙকপনা থল্লবা মীওইবগী হকচাং

- ওক্সিজেন হায়বসি কার্ল স্কিল, জোসেফ প্রিষ্টরিল অমসুং এন্টোইন লেভোইজিয়রনা তোঙান-তোঙান্না থেংনরকখিবনি। স্কিলনা ইহান-হান্না ওক্সিজেন পুরকখি, প্রিষ্টরলনা ইহান-হান্না ওক্সিজেনগী মরমদা ফোঙলকখি অমসুং লেভোইজিয়রনা ওক্সিজেনগী মওং-মতৌ ইহান-হান্না খঙলকখি।
- মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎকী কুয়োম (এটমোস্ফেয়র) দা য়াওরিবসি চাদা ২১ রোম ওক্সিজেন্নি।
- মীপুম খুদিংমক্কী হকচাংদা ঈ য়াওই হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মীওইবা অমগী অপূনবা অৱূম্বগী চাদা ৮ লোম ঈগী অৱূম্বনি।
- মপুঙ-মরৈ ফারবা মীওই অমগী হকচাংদা য়াওরিবা ঈ উতোং অসি শাংনা তিংথোক্লবদি মাইল লাখ ১০ রোম ওইগনি।
- মমিং চৎলবী অইবী অগাথা খৃষ্টিনা ইবা লাইরিক পুম্নমক মীয়াম্না পাম্নে। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মহাক্কী লাইরিক ক্রোর অনী হেন্না য়োনবা ঙমখ্রে। মহাক্কী লাইরিকশিংবু তোঙান-তোঙানবা লোল ১০০ রোমদা হন্দোক্লগা ফোঙখ্রে।
- হকচাংদা য়াওরিবা অপুনবা শরূগী চাদা ২৫ রোমদি খোঙয়াদা য়াওই।
- মালেমদা ইহান-হান্না খোঙউপ তোংখিবা মীওইদি জোর্জ-ফোর (১৭৬২-০১৮৩০) নি।
- মীওইবগী লৈ (টঙ্গ) না মহাউ খঙবা ঙম্বগুম কুরাকশিংদি খোঙয়ানা মহাউ খঙবা ঙম্মী।
- খোঙয়া মনম চেনবা মীওইশিং কাঙনা চীকপা পাম্মী। মী ময়াম লৈমিন্নবগী মনুংদা কাঙনা খ্বাইদগী পাম্না চীক্লিবসি খোঙয়া মনম চেনবা মীশক অদুনি।
- লিওনার্দো দা ভিন্সিনা পুথোক্লম্বা অলার্ম ক্লোক অমনা খোঙয়াদা হাক্কৎচবা হোৎলগা মীওই অমবু তূম্বা হৌদোকই।
- ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমদা চহী খুদিংগী মীওই লাখ ১০ রোম কাঙনা চীকপদগী শিরি।
- চাইনাগী দোংয়াংদা চহী খুদিংগী অখন্নবা মতম অমদা পীক্লিবা নুপামচাগী হক্কী ঈশিংদা ফূৎপা য়েরুমবু মীয়াম্না পাম্না লৈরগা চানৈ। মসিনা ঈ শেংদোকপগা লোয়ননা হকচাং কনখৎহল্লি অমসুং হকশেলদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়না থাজনৈ।
- অশিংবা ৱাখল লৈবা (ইন্টলিজেন্স ওইবা) মীশিংগী মশমদা জিঙ্ক অমসুং কোপ্পর হেন্না য়াওই।
- দোলফিনশিংনা তুম্বা মতমদা মমিৎ নাম্মা পাংই।
- মকুশিং অসি হিগোক মচু উবা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা উচেক মখলনি।
- নহাক্না নমিৎ পাংনা-পাংনা হকথি খনবা কৈদৌঙৈদসু ঙল্লোই।
- নহাক্না টেলিভিজন য়েংবদগী তুম্বা মতমদনা হেন্না কেলোরি বর্ন তৌই (শিজিন্নৈ)।
- গুম্ভীরগী ময়ানা নহাক্কী হকচাংগী শরুক উমখিবা থোক্লবদি নহাক্কী খুবীশিং অদু মহাক্কী মিৎকী বোলশিংদুদা (আইবোলস) ইনশিল্লু - নহাকপু খুদক্তা থাদোরক্কনি।
- করিগুম্বা নেসানা উচেকশিংবু স্পেসতা থাবা তারবদি মখোয় য়াম্না থুনা শিগনি; মরমদি মখোয়না য়োৎপা মতমদা গ্রেবিটি চঙই।
- পালর্স (মণি-মুক্তা) অসি ভিনিগরদা তুমই।
- ঈশিং শামুশিংনা পুক্নিং ৱাখলদা নুংঙাইতবা পোকপা মতমদা মখোয়গী হুমাংগী মচু ঙাঙলকই।
- ওককী শওং-শাদা, মশাগী ফীভমনা মরম ওইদুনা মখোয়না নোংথক্তা য়েংখৎপা ঙম্বা হায়বসি ওইথোক্তে।
- নহাক্কী নরৈনা নহাক্কী খুনিং (খুৎকী) লেকপা হায়বসি ওইথোক্তবা অমনি।
- উচি অমসুং শগোলদি ওদে (হন্দোকপা তৌদে)।
- করিগুম্বা নহাক্না কঙ্গারুগী মমৈ পায়রবা লৈমায়দগী থাঙ্গৎলবদি শা অসি চোংবা ঙমদে।
- নুপীশিংনা নুপাশিংদগী মিৎ কৃপ্পগী চাং শরুক অনী হেল্লি।
- জিরাফনা উৎতগী হেন্না মতম শাংনা ঈশিং য়াওদনা হিংবা ঙমই।
- শুরুংদগী পাইথোকপা মতমদা শেকপীশিংনা মতম চূপ্পদা ওইরোমদা লৈথোকখি।
- স্লোথশিং অসি মখোয়গী মচীঞ্জাক তুম্বদা চয়োল অনী চঙই।
- গ্লাস জার অমা রিসাইকল তৌবনা পুং ৩ টি ভি য়েংবা কোন্নগদবা ইনর্জি সেঙ তৌই।
- মখোম থকপশিংগী (মেম্মলশিংগী) মরক্তা চোংবা ঙমদবদি শামুখক্তনি।